# ঐনা আর্চরিদা দিপ্লোমা তৌরুবদু কোচ অমা ওইগে খনবগী নত্তে, ফজনা শান্ননিংবগীনি ঃ বি গুনিচা দেবী




## আর্চরিদা মিৎয়েং অমা

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



বী গুনিচা দেবী (আর্চরি কোচ (নেসনল পেনেল) সাই এন ঈ আর সি ইম্ফাল)

হান্নগী মখা...

কুমজা ১৯৮৪ দদি ঐহাক মেত্রিক পাস তৌরে। লাইরিক মখা তমথবা ওইনা দি এম কোলেজদা সাইন্স সবজেক্ট লৌদুনা তম্লে। অদুবু পী য়ু সাইন্স তম্বা ফাওবা আর্চরি খরা খরা অদুম শান্নরকখি। সাইন্স লৌরুবদুনা শান্নবরোমদদি কয়া কন্না পূক্লিং চঙবা ঙমদ্রে। অদুবু মশান্নসি পামজরুবগী শান্ননিংবা অমদি ৱাখলসিদা লেংদনা লৈরকখি। ইচে বসন্তিদা নত্তনা ঐগী ইবুং দেবচান্দ শর্ম্মসু আর্চরিসি ফজনা শান্নে। অদুনা ঐখোয় ফেমিলিদা স্পোর্টসকী ৱারী শান্নবা তারবদি আর্চরি ঙাক্তগা ওইনা শান্নে। ঐগী ওইনদি ইমানা (বাচস্পতিময়ূম ওংবী শুমতি) লাইরিক কন্না তম্মু, ইমাদি নুপীনা কোলেজগী লেকচরর ওইবসি য়াম্না পাম্মী হায়বা অমসু লৈ। লাইরিকসু থৱায় য়াওজরকপনিনা ইমুং মনুংনা শিন দুনা বি এস সী তম্বসিদি শিল্লোংগী নেহ্‌দা থারকখি। কুমজা ১৯৯০/৯১ দা বোটানিদা ওনর্স লৌদুনা বি এস সী লোইশিঞ্জরকখি। শিল্লোংদা বি এস সী লোইশিল্লবা মতুংদা এম এ সী বোটনী তম্মনবা মিং চন্দুনা কাবা অমুক হৌরকখি। হায়রিবা মতমসিদদি ঐনা টেন কাপ্পগী ৱারীসিসু পুরা লেপখ্রে।

মাষ্টর তৌবগী অহানবা চহীগী থা খরা চঙশিল্লকপা মতমদুদা ঐগা টেন হান্না কাপমীন্নরকখিবা ঐখোয় লৈকায়গী চুংখাম শান্তগা ঐগী ইবুং দেবচান্দগা কোলকটাদা আর্চরিগী ৱান ইয়র কোর্স দিপ্লোমা তৌননবা ইগজাম থাবা চৎকনি হায়না পাউ তারকখি। মদুদা ঐসু ইগজামদু য়াম্না থানিংলকখি। ইগজামদু মায় পাক্লবদি, ঐসু চহী অমগী দিপ্লোমা কোর্সতু তৌগে, মখোয়না লাকপদা ঐবুসু শিল্লোংদগী খরা লৌবিরো হায়দুনা তুমিন্না ইবুং দেবচান্দদা হায়খি। ইমাদদি পাউদু হায়দোকপীনু হায়দুনা কন্না মেনখি। অদুমাইনা হায়নবদগী শিল্লোংদগী লাক্লিবদুসু হেদ ওফ দিপার্টমেন্টতা নুমিৎ কুন্নিগী লিভ লৌরগা চৎলিবনি। কোন্নদি ঐনা ঙমদুনা চহী অমগী দিপ্লোমাদু ত্রেনিং ফজনা তৌরকখি। মরু ওইনা ঐনা ত্রেনিং চৎলিবদু তশেংবদি টেন ফজনা কপ্পিংবগীনি। ঐনা অতেনবা মতম খরা টেন কাপ্লম্বদুদি পামজবগীনি। আর্চরিগী মরমদা করিসু থোইদোকপা খঙবা নত্তে। অশেংবা আর্চর অমা ওইগে হায়রবদি করি করি গুন চেনগদগে? আর্চরি হায়বা মশান্নসি করিনো? হায়বসিদা ৱাহং কয়ামরুম ইথন্তা হংবা হৌরকখি। মশান্নসিগী মরমদা খঙনিংলিবা পূন্নমক্তু দিপ্লোমা কোর্সসি য়াওজরুবা মতমদগীদি মরিক চুম্না খঙবা ঙম্লকখি। পূক্লিংদগী থোরকপা লোইবা নাইদ্রবা ৱাহং কয়া মথং মথং নৈনজবদগী গেমসিগী মরমদা খঙলমদবা কয়া খঙলকখি। ঐনা ত্রেনিং চৎখিবদু আর্চরিগী কোচ অমা ওইগে হায়নদি খক খনখিদে।

কোলকটাদা আর্চরিগী দিপ্লোমা কোর্স তৌবসি ইমাদগা হায়দোক্তে। ঐনা চৎলিবদু ইমানা পাম্বা নত্তবনিনা অদুম লোৎখি। কোন্নবুদি খঙলকখি। ত্রেনিংদু তৌরুবগী ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইখিবা অমদি দিপ্লোমা তল্লিঙৈদুদা ঐহাক রিকভ য়াম্না কাপ্লকখি। থিওরিগা প্রেক্টিকেলগা অনীদু তকখায়রকপদা ঐদি হৈনিংনা খঙনিংনা তমজরকপনিনা থৱায় হকচাং য়াওনসু হোৎনজরকখি। ত্রেনিং মনুংদা আর্চরিগী মরমদা ঐহাক লাইরিকসু ফজনা পারকখি। চহী অমগী দিপ্লোমা কোর্সতুনা ঐঙোন্দা আর্চরিগী জ্ঞান অমা ফজনা লৈহল্লকখি। দিপ্লোমা কোর্সতুগী ঐনা টোপ্পরসু ওইরকখি। ঐনা হোৎনজখিবা খরদুগী মহয় ফংলে খঞ্জরগা ঐহাক পূক্লিং নুংঙাইবা অমদি ফাওখি। ত্রেনিং লোইরবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা থবক্কী ওফর লাকখি। চেসি ঐঙোন্দনা ইহান হান্না লাকখি। অদুবু ঐহাক মতমদুদা থবক তৌনিংবগী ৱাখলগা কয়া কন্না খল্লুদবনা চেদু থা অমরোম তারগা লৈখি। ঐগী চে লাকপদুগা থা অমা কান্নরগা, মেদাম শান্তাগা ঐখোয় দদা দেবচান্দগা মখোয় অনীগীসু লাকখি। মখোয়দি থবক জোইন তৌরগনি, খুদোংচাবা মাঙহনবা য়াদে হায়দুনা লাংনরকখি। দদাগা মেদাম শান্তাগা (হৌজিক্তি ঐখোয় অনী সাই এন ঈ আর সীদা লৈমিন্নরি) জোইন তৌরগনি তাবদগী ঐসু থবক জোইন তৌরগে হায়বগী ৱাখলসি লাকখি। অদুদগী কুমজা ১৯৯২ দা থবক চঙলকখি।

ঐগী অহানবা পোষ্টিংসি শিল্লোংদা পীরকখি। ঐনা থবক জোইন তৌবসি কুমজা ১৯৯২ গী ওক্তোবর থাদনি। পুন্সি হায়বসি খ্বাইদগী তম্বা ঙমদবা অমনি। আর্চরিগী কোচ অমা ওইরক্কনি হায়বসি ঐহাক অদুক কন্না খল্লকখিবা মীশক অমদি নত্তে। অদুবু ইশানা য়াম্না পামজরকপা, ইন্টরেষ্ট লৈজরকপা মশান্না ওইরকপনিনা গেমসিনা ঐবু লায়না চিংশিনবদি ঙমখি। অমরোমদা থবক হেক জোইন তৌবগা ইকান কান্নদনা ঐহাক দেল্লিগী নেসনল কেম্পতা অদুম খল্লকখ্রে। শিল্লোংদসু এস পী দি এ সাই সেন্টরদা অঙাং মরি/মঙা তম্বীরকখি। নেসনল কেম্পতসু অঙাংশিং ফজনা তকখায়দুনা তম্বীবা হৌরকখি। চাউরাক্লা চহী ১২/১৩ গী অঙাংশিংদদি ঐনা তৌহন্নিংলিবা, শান্নহন্নিংলিবা মওংদু খরগী মখৈ তাবা ঙম্মী। পীক্লিবা অঙাংশিংদদি ষ্টেপ বাই ষ্টেপ থাক মথং মথং লৈবনা হেভি ওইবা ত্রেনিং য়াদে। হকচাংগী লৈরিবা মশলশিং, টেন কাপ্পদা মতমদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা নর্ভনচিংবগসি শান্নরোয়শিংদা খঙহল্লগদি শান্নবদা ফোর্ম তাবসু হেল্লি।

মথং-মথং

# য়ুরো কপ ২০১৬ ঃ পোর্টুগলনা পোলেন্দবু পেনালটিদা ৫-৩ দা মায়থীবা পীদুনা য়ুরোগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



মার্সেলে, জুলাই ০১ ঃ

পোর্টুগলনা মফম অসিদা চথখিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা পোলেন্দবু পেনালটিদা ৫-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙবা অহানবা টিম ওইখ্রে। মেচ অদু টিম অনীনা অপীবা মতম ফাওবদা গোল ১-১ দা দ্রো চৎতুনা লৈনখিবদগী এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নবদসু গোল চনবা ঙমদবদগী পেনালটি শুট আউটতা পোর্টুগলনা মায় পাকখি।

পোলেন্দগী জাকুপ ব্লেসজেকজিকোস্কিনা মখোয়গী মরিশুবা পেনালটি অদু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মহাক্কী গোল অদু রুই পেত্রিসিওনা সেফ তৌখিদুনা পোর্টুগলনা সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাওশিনবা ঙমখি।

পোর্টুগলনা জুলাই ৬ (ইন্দিয়াগীদা তাং ৭) তা পাঙথোক্কদবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৱেলস নৎত্রগা বেলজিয়ম অনীগী মরক্তা মায় পাক্লকপা টিম অদুগা লয়োন্দা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

পোলেন্দ অমদি পোর্টুগল অনীগী মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী প্লেয়রশিংনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। পোলেন্দনা পোর্টুগলগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা কামিল গ্রোসিকিনা ওই থংবা নাকলদগী পীরকখিবা ক্রোস অমদা রোবার্ট লৱানে দাস্কিনা নিংথিনা ওক্লগা মেচকী মিনিট ২ চৎপা মতমদা পোর্টুগলগী নেটতা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়নননা য়াম্না ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

লৱান্দোস্কিনা চনখিবা গোল অসিনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা মহাক্কী অহানবা গোল চনবসু ওইখি। পোর্টুগলগী মশাগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবা অমদি অহানবা ওইনা মহাক্কী ইন্টরনেসনেল প্লে কুপ্পসু ওইরিবা বয়ার্ন ম্যুনিক্কী প্লেয়র সিনাটো সাঞ্চেজনা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা পৱরফুল ওইবা শুট অমা পোলেন্দগী মায়কৈদা কাওশিনখিদুনা গোল অমা চনশিনখিবগা লোয়নননা ইক্বেলাইজ তৌখি। অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা ১-১ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা মায়কৈশিংদা মায় পাক্লবগীদমক অহেনবা গোলশিং চন্নবা তকখৎনরকখি। মেচ অসিগী অহানবা গোল চনখিবা পোলেন্দনা মথৌনা লৈনা পোর্টুগলগী মায়কৈদা মায় পাক্লনবগীদমক গোল চন্নবা এটেম্পশিং তৌদুনা চঙশিল্লকখি অদুবু পোর্টুগলগী দিফেন্সতা পাক হেক চঙশিনবা ঙমদনা লৈখি।

পোর্টুগলসু পোলেন্দগী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। মখোয়না তৌখিবা অকনবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা খরা ফংখ্রবসু দেঞ্জরস ওইবা প্লেদি শান্নবা ঙমখিদে।

রোনাল্ডোনা মেচকী মিনিট ৩৭ চৎপা মতমদা য়ার্দ ১৮ দগী কাওশিনখিবা বোল অমা পেনালটি তাই হায়দুনা জর্মনগী রেফ্রি ফেলিপস ব্রাইসতা ক্লেইম তৌখি অদুবু রেফ্রিনা পেনালটি পীয়ু হায়বা য়াখিদে।

মেচ অদুগী অপীবা মতম মিনিট ৯০ ফাওবা টিম অমত্তনা গোল চনবা ঙম্ম দবদগী এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নখি। এক্সত্রা টাইমদসু টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙম্মদবদগী পেনালটি শুট আউট তৌনখি। মদুদা পোর্টুগলনা পোলেন্দবু ৫-৩ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

**ক্বার্টর ফাইনেল মেচ**

তাং ৩/৭/২০১৬
Germany Vs Belgium
(12.30 am)

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ১০

1. মপান লৈবাক্তগী ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা নিপা অমা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হায়জবদগী মণিপুরদা লাক্তুনা মহাক্কী হিরম অদুদা তাকপী তম্বীখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?
2. শান্নবদা য়াম্না হৈশিংবা টিম অমা লৈ, টিম অসিগা শিংনদুনা শান্নবা খুদিংমক্তা টিম অসিনা পাঞ্জল থোই। টিম অসিবু ইংলিস মচাশিংনা Band of Brathers হায়না শিংথানৈ। টিম অসিনা শান্নরিবা মশান্না অদু করিনো?
3. ইন্দিয়ানা মনিং মখা তমদ্রিঙৈদা নেসনল গেমসতা শরুক য়ারুবা মণিপুর মচা অমগী মমিং হায়য়ু।
4. এসিয়া কন্টিনেন্টদা সম্মর ওলেম্পিক কয়ারক পাঙথোকখ্রে?
5. ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্ন সিটিদা কুমজা ১৯৫৬ তা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা করম্বা শান্নবগী থৌরম লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা য়াদে হায়দুনা লৈবাক অদুদা মশান্না অদু পাঙথোকহনখিদবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৯ গী পাউখুমশিং

(১) রেবতি সিংহ (২) অর্ন্টপ, ১৯২০ (৩) ফুটবোল (৪) ষ্টেন্দিং হায়জম্প (৫) পেলে

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৯ গী ৱিন্নর**

*লাইয়ূম সিদার্থ শর্ম্মা,* য়াইস্কুল হিরুংহনবা লৈকায়

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

থা অসিগী ৩, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

# হোকি লেজেন্দ মোহম্মদ সহিদ লায়েংবদা মতেং পাঙননবা ধনরাজ পিলেনা প্রাইম মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিনখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুলাই ০১ :

হৌজিক হৌজিক গুরগাউন্দগী হোস্পিটালদা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী হোকি লেজেন্দ মোহম্মদ সহিদকী লায়েংবদা মতেং পাঙননবগীদমক হোজি লেজেন্দ ধনরাজ পিলেনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পূক্লিং চিংশিনখ্রে।

হৌজিক হৌজিক য়াম্না কন্না লায়কন্নরিবা ইন্দিয়াগী হান্না নেসনল কেপ্তেন ওইরম্বা মোহম্মদ সহিদ মহাক্কী থৱায় কন্ননবগীদমক গুরগাউন হোস্পিটালদা শিবা চঙবা খঙদনা য়াম্না অরুবা ফীভম অমদা লায়কন্নরি।

ষ্টিক কন্ত্রোল তৌবদা মমিং লৈরবা মোহম্মদ সহিদ মহাক্কী থোইদোক হেন্দোকপা হৈশিংবা কয়াগীদমক্তা মালেমগী শিংথানিংঙাই ওইরবা হোকি শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি।

মোহম্মদ সহিদ মহাক্কী লিভর অমসুং কিডনি শোকপদগী হৌজিক হৌজিক গুরগাউন্দগী মেদান্তা মেদিসিটি হোস্পিটালদা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি।

জোন্দিস অমসুং দেঙ্গু লায়নানা পূন্না নাশিল্লকপদগী লেজেন্দরি হোকি প্লেয়র মোহম্মদ সহিদকী ফীভম নোংমগী নোংমগী শোকচিল্লকখিবনি। মশাগী চহী ৫৬ শুরবা ফোরৱার্দ শান্নরোয় মোহম্মদ সহিদ বরানাসিদগী হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা এরোপ্লেন্দা পুরক্তুনা মফম অসিদা লায়কন্নরকখিবনি।

সহিদ ভাই হায়নসু খঙনবা লেজেন্দরি হোকি প্লেয়র মোহম্মদ সহিদ ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওথোকচনিংঙাই ওইরবা হোকি শান্নরোয় অমনি। মহাক্নু ল্লবা থোইদোক্লা হৈশিংলবা হোকি শান্নরোয় অসি লৈবদগী ইন্দিয়াগী হোকি অসি মালেম শিনবা থুংনা মশক খঙলকখিবনি।

শান্নরোয় অমা ওইনা মহাক্লা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা মালেমদা মশক তাকখি অমদি ইন্দিয়ন অমা ওইবত্তা নত্তনা চাওথোকচনিংঙাই ওইরবা মীশকনি হায়না লেজেন্দরি হোকি প্লেয়র ধনরাজ পিলেনা মখা তাখি।

ধনরাজ পিলেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবদা সেনিয়র পোলিটিকেল লীদর অমত্তনা ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিট (আই সি য়ু) তা নুমিৎ নীনিগী মমাঙদগী অরুবা ফীভমদা লায়কন্নদুনা লৈরক্লিবা ইন্দিয়াগী হান্নগী কেপ্তেন অসিগী ফীভম হংবা লাক্ত্রি। লৈবাক অসিগীদমক্তা মতম অমদা তূম্বা চাবা খঙদবমখৈ শান্নদুনা হোৎনরম্বা মীশক অমনা ঙসি ফমুংদা তাদুনা শিবা চঙবা খঙদনা লৈরবা ফাওবদা পোলিটিকেল লীদর অমত্তনা হংবা লাক্তবা অসি য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি।

মোহম্মদ সহিদকী লায়েংবা অসিদা মতেং ওইননবগীদমক মহাক্লা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, স্পোর্টস মিনিষ্টর, স্পোর্টস এসোসিএশন খুদিংমক্তা সহিদ ভাইগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খঙহনখ্রে।

সহিদ ভাই হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্ল বগীদমক মীয়াম্না পাঙবা য়াবা অঙম্বা মতেংশিং পাঙবিয়ু। মহাক্কী ফীভম অসি হান্নগুম্না ফগৎলক্লবগীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মখৈ হোৎনদুনা অমদি মীয়ামদা মোবিলাইজ তৌদুনা মতেং ফংননবা থবক পায়খৎলি।

সহিদনা কুমজা ১৯৮০ ওলেম্পিক্তা গোল্ড মেদল লৌখি। অদুগা কুমজা ১৯৮২ গী এসিয়ন গেমসতা শিলভর মেদল অমসুং ১৯৮৬ কী এসিয়ন গেমসতনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।



HL-B/3127/7/6-6/7






HL-B/3071/29/4-28/5